

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, MAY 11, 2019 PAGE 7




*ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগকী মেটচ অমদা বরোদা ফুটবোল একাদেমীবু ৬–১ দা মায়থিবা পীবদা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনখিবা বালা দেবী*

*স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা চথরিবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ*

## কোরিয়া টুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোই ১৮ খনগৎপদা মণিপুরগী সুসিলা চনু য়াওখ্রে, রানিনা কেপ্টেন ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ১০ঃ*

থা অসিগী ২০ দগী সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা মেটচ ৩ গী হোক্কী সেরিজগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১৮ খনগৎপদা মণিপুরগী পুখ্রম্বম সুসিলা চনু য়াওখ্রে, টিম অসিগী কেপ্টেননা ষ্ট্রাইকর রানী রামপালনা ওইরগনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়ানা ঙসি লাওথোকখ্রে।

পুখ্রম্বম সুসিলা চনু কুমজা ২০০৮ দগী ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৫০ হেন্না শান্নবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা সুসিলা চনু শরুক য়াখি। মদুদা ইন্দিয়াগী টিম ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি। কুমজা ২০১৩ দা জর্মনিগী সিটি মোঞ্চেনগ্লাবাকতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা পুখ্রম্বম সুসিলা চনু শরুক য়াখিবদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

সাউথ কোরিয়া টুর অসিগীদমক কেপ্টেন ওইনা খনখ্রবা রানী রামপাল মালেসিয়া টুরদা মশা শোকপনা মরম ওইরগা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

চথগদৌরিবা সাউথ কোরিয়া টুর অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না চহী অসিগী জুন ১৫



দগী ২৩ ফাওবা জপানগী সিটি হিরোসিমাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱুমেন্স সেরিজস ফাইনেলসকী শেম শাবদা য়াম্না কান্নবা ওইরগনি হায়না টিম অসিগী চীফ কোচ মারিনেনা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না স্পেন অমসুং আয়রলেন্দগী টুরশিং চৎখ্রে। টুর অনী অসিদা ইন্দিয়ানা মেটচ ২ মায় পাকখি, মেটচ ৩ দা দ্রো চৎলগা মেটচ অমনা মায়থিবা নংখি। মখা তানা মালেসিয়া টুরদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মেটচ ৪–০ দা সেরিজ লৌবা ঙমখি।

হেদ কোচ মারিনোনা ফোঙদোকখিবদা সাউথ কোরিয়াগী টুর অসিদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবী শান্নরোই রানী রামপাল অমদি গুরজিৎ কোর অমুক হন্না য়াওরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টুর অসিনা এফ আই ঐচ ৱুমেন্স সেরিজস ফাইনেলসতা মায়োক্নবা টিমগা লম্বা তৌবদা য়াম্না কান্নবা ওইরগনি হায়খি।

সাউথ কোরিয়া টুরগীদমক হোক্কী ইন্দিয়ানা খনগৎখ্রবা শান্নরোই ১৮ অদুদি গোলকিপরদা সভিতা অমদি রজনি ইটিমারপুনি। দিফেন্দরদা সলিমা টেটে, সুনিতা লাক্রা, দিপ গ্রেস ইক্কা, করিসমা যাদব, গুরজিৎ কোর অমদি সুসিলা চনু পুখ্রম্বমনি।

মিদফিল্ডরদা মোনিকা, নভজোৎ কোর, নিক্কী প্রধান, নেহা গোয়ল অমদি লিলিমা মিঞ্জনি। ফোরৱার্দতা রানী রামপাল (কেপ্টেন) ভন্দনা কাটারিয়া, লালরেমসিয়ামী, জ্যোতি অমদি নভনিত কোরনি।

## চেন্নাই সুপর কিংসনা দিল্লি কেপিটেলসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা আই পি এলগী ফাইনেলদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা শান্নরগনি

*ভিসাখাপত্নম, মে ১০ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) গী ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়র টুদা চেন্নাই সুপর কিংসনা দিল্লি কেপিটেলসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেলদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

মেটচ অসিগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। দিল্লি কেপিটেলসনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪৭ য়ৌখি।

দিল্লি কেপিটেলসকী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। দিল্লিগী ওপনর পৃথবী সো শুপ্নগী রন ৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱনসু রন ১৮ দা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কোলিন মুনরোসু বোল ২৪ মায়োক্নবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরমখি। কেপ্টেন শ্রিয়েস আয়রসু শুপ্নগী রন ১৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রিসব পন্টনা বোল ২৫ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

দিল্লি কেপিটেলসকী মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪৭ খক লৌরমখি।

মায় পাক্নবগী রন ১৪৮ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু চেন্নাই সুপর কিংসনা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৫১ লৌবা ঙমদুনা ক্বালিফায়র টু অদু ৱিকেট ৬ তা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা ৮লক ফাইনেল য়ৌদুনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা লম্বা তৌনরগনি।



*রন ৫০। ৫০ লৌবা ঙমখিবা চেন্নাই সুপর কিংসকী বেটসমেন সেন্ট ৱাটসন (ওই) অমদি ফাফ দু প্লেসিস*

চেন্নাইগী ওপনর অনী ফাফ দু প্লেসিস অমদি সেন্ট ৱাটসননা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা অপুনবা রন ৮১ শুরকপদা ওপনর প্লেসিস রন ৫০ দা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৭ য়ৈরমখি।

অতোপ্পা ওপনর সেন্ট ৱাটসনসু বোল ৩২ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫০ লৌরমদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম থোল্লমখি।

মখা তানা চঙলকখিবা সুরেস রাইনা রন ১১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন অম্বাতি রায়ুদুনা বোল ২০ দা ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ২০ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইদুনা ক্বালিফায়র টু অদু চেন্নাইননা দিল্লিবু ৱিকেট ৬ তা থোইদুনা ৮লকশুবা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

## মঙাশুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ দা পান্থোইবী এফ সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১০ঃ*

খোংজোম সার্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টেকচম হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা টিম ২২ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং দা পান্থোইবী এফ সি অমদি এ টু পাটশোই মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংনখ্রে।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা পান্থোইবী এফ সিনা আর পি য়ুবু গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পান্থোইবী এফ সি গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ টেলহৈবনা মিনট ৩, ৩১, ৩৪, ৩৫ দা গোল মরি চনখি। অদুগা অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৩ দিপকনা মেটচকী অপীবা মিনট লোইদুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা চনখি।

মায়থিরবা আর পি য়ুগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ এন মাইকেলনা মিনট ৬, জর্সি নম্বর ৯ ঐচ ললিতনা মিনট ২৭, জর্সি নম্বর ৫ টি সনাজাওবনা মিনট ৪৩ অমদি জর্সি নম্বর ২ সি ঐচ অমরনা মিনট ৪৯ দা চনখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ টু পাইশোইনা সবেন ষ্টার হৈরোকপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অঙনবা মিনটশিংদা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনরবসু টিমশিংগী গোলকিপরশিংনা নীংথিনা মথৌ খঙনা শান্নদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এ টু পাইশোইনা মেটচ অসি লাকশিল্লক্তুনা মায় পাকপগী গোল ৩ অদু চনখিবনি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ নোংঙানবনা মেটচকী মিনট ২৭ অমদি ৩৩ দা গোল অনী অদুগা অতোপ্পা গোল অমদুনা টিম অসিগী অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ৩৭ তা জর্সি নম্বর ৭ কিষননা চনখি।

মায়থিরবা সবেন ষ্টার হৈরোক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ রোবিনসননা মিনট ৪১ দা গোল হন্দোক্লবসু মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী এ টু পাইশোইগী মখূত্তা ১–৩ দা মায়থিখি।

| ক্রোসৱার্দ ১৫৬ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | A | T | A | ■ | B | I | L | K | S | ■ | C | L | E | O |
| E | G | O | S | ■ | A | R | E | N | A | ■ | Y | E | L | P |
| F | A | T | H | E | R | K | N | O | W | S | B | E | S | T |
| E | P | A | ■ | T | R | E | A | T | ■ | A | I | R | E | S |
| R | E | L | A | T | E | D | ■ | ■ | A | L | L | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | V | A | N | ■ | G | O | R | I | L | L | A | S |
| A | N | T | I | ■ | ■ | S | E | D | A | N | ■ | A | G | O |
| L | E | A | V | E | I | T | T | O | B | E | A | V | E | R |
| E | A | R | ■ | S | T | A | I | R | ■ | ■ | L | A | S | T |
| C | R | E | S | C | E | N | T | ■ | A | R | M | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | N | A | M | ■ | ■ | C | L | E | A | N | S | E |
| R | E | C | A | P | ■ | K | I | O | W | A | ■ | A | N | N |
| O | Z | Z | I | E | A | N | D | H | A | R | R | I | E | T |
| O | R | A | L | ■ | R | E | L | A | Y | ■ | E | V | E | R |
| M | A | R | S | ■ | T | E | E | N | S | ■ | V | E | R | Y |

## মণিপুর পুলিসনা বরোদা ফুটবোল এদাদেমীবু পাঞ্জল ৬–১ দা থোইখ্রে

*লুধিয়ানা, মে ১০ঃ*

ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা ক্লষ্টর টুরগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মণিপুর পুলিসনা বরোদা ফুটবোল একাদেমীবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা মণিপুর পুলিসকী হৈগ্রুজম দয়া দেবীনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ১৩শুবা মিনটতা মণিপুর পুলিসকী বালা দেবীনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

৩৩শুবা মিনটতা বরোদা ফুটবোল একাদেমীগী শান্নরোই মোনানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মণিপুর পুলিসকী বালা দেবীনা ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটত্রিক পাঞ্জল চন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৬৭শুবা মিনটতা মণিপুর পুলিসকী বালা দেবীনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৫–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মণিপুর পুলিসকী শান্নরোই ইরোম প্রামেশ্বরী দেবীনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বরোদা ফুটবোল একাদেমীবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ‘ফিফা অন্দর সভেন্টিন ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০ অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুরসু ভেন্যু ওইজগে হায়বা তাই’

### এল. কালা, উরিপোক

স্পোর্টস অমসুং কলচরনা ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়ান মপান ৱাংমা মালেমগী মফম খুদিংদা শক্তাক্লি হায়না হেক হেক স্পোর্টস অমদি কলচরগা মরী লৈনবা ফঙ্কসনশিংদা লমদমসিগী শক্লাইরবা শক্লাইরবী কয়া অমনা তৎতনা হেক হেক হায়বা ফোঙদোকপা ৱাফম্নি। মণিপুর মপান লমগী মীওই অমনা মণিপুরগী মরমদা অখঙবা হায়বা ঙাংবা তারবদি অহৌবা নৎত্রগা অরোইবদা স্পোর্টস অমসুং কলচর হায়বসি পল্লমদবা য়াওরল্লোই। মীপুম খূদিংনসু অদুমক তাই অদুগা তানা তানা খরা হেন্না চাওথোকচবদি লমদমসিগী মীওইনতা খরা হেল্লি। থাগৎলদি খরা হরাওই হায়বদুনি অদুবু লম অনীসিগী ওইনা লমদমসিগী লৈঙাক্লা অহেনবা অখন্নবা থৌরাং লৌগৎতুনা করি করি তৌরিবগে হায়বসিমদি থোইনা হেন্না খল্লুদে অদুগা লুম্নসু লৌদে। শেমগৎপা শাগৎপা লৌথোকপা হাপচিনবা মালেমগী হোংলক্লিবা খোঙচৎসিদা মচৎ অমা ওইনা অদুমক তৌনদুনা লাক্লিবনি। লমদমসিসু মালেমগী মফম খূদিংদা অহোংবা অমা ওইনা তৌনরিবা হোৎনরিবা অসিদা খরদংদা ওইরবসু অদুমক ইরোইননা শরুক য়াদুনা চৎলি হায়বা তাই। মসিনা মরম ওইরগা হান্না উরমদবা খঙলমদবা থেংনরমদবা কয়া অমা উরি খঙলি থেংনরি ঙসিদি। পূম্নমক অসিগীদমক মতম মতমগী ওইবা লৈঙাক্লা অচৌবা মপুং ওইবা মপু ওইদুনা হোৎনদুনা লাক্লি হায়রবসু হোৎনদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লিবগী খোঞ্জেল অসি তপমনখিবনা মতম মতমগী অহোংবনা হানখিবনা পাঙথোক্লিবা খূদিংমক মতমগা চান্নবদা ইপেন পেন্নীংঙাই ওইদবা মপুং ফাদবা ঙাক্তগা ওইনা লৈরি। মসিনি লমদমসিদা চৎনবী অমা ওইনা লৈরিবসি।

লমদমসিনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরিবা স্পোর্টস অমসুং কলচর অনীসিগী ওইবসিদা স্পোর্টসকী মতাং অসিমদি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক মতমসিদদি স্পোর্টসকী মনুং ফুটবোল মশান্নগীদি য়াম্না লাইবক ফবা তাঞ্জা অমনি হায়বদা লাল্লোই মরমদি হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা ইকুই খুম্নরবা বিরেন অমদি স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা লেটপাও অনীমক মতম অমদা লমদমসিগী অফাওবা মমিং লৈরবা ফিদম্নীংঙাই ওইরবা ফুটবোল শান্নরম্বা ঙাক্তংনিনা স্পোর্টসপু পামজবা নুংশিজবা মীওইদি শোয়দনা ওইরমগনি অদুগা ফুটবোল মশান্ননা খরা হন্না খোইদাজবা মীওইসু ওইফম থোকই। মতাংস্বাইদা ফুটবোল পামজনা শান্নরকখিবা অনীনা লৈঙাক মপু ওইদুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌদাং য়ারিগৈসিদা ঙসিগী স্পোর্টসকী মরমদা খঙ হৈরবা কয়ানা কোক চুংশিন্নদুনা শান্নরোইশিংগীদমক শান্নববু পাম্না য়েংজরিবা মীওইশিংগীদমক অপেনবা ওইগদবা অহেনবা খরদি তৌনবা ওইনা য়াৎথোক্লবা পোলিসি প্রোগ্রাম অঙম্বা অনীসিগী নাকোং য়ৌহনফম থোকই। মশান্নশিংগী মরক্তা ফুটবোল মশান্না অসিমসু হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী য়াম্না কন্না ষ্টেন্দর্দ হেনগৎনবা অঙম্বা থাক্তা মীৎয়েং চঙদুনা হোৎনরিবা মতম অমনি। ইন্দিয়ানা অঙম্বা থাক্তা ফুটবোল ষ্টেন্দর্দ হেনগৎনবা হোৎনরি হায়বসিসু ফিফানা খঙলিবনি মরমসিনা ফিফানসু ইন্দিয়ানা ফুটবোলগীদমক করিনো অমা তৌজগে হায়বদা অয়াবা হেক্তা পীবা অমগী শরুক অমা ওইনা নুপামচাগী ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ ২০১৭, ইন্দিয়াগী সিটি তরুক্তা শান্নবগী অয়াবা পীদুনা ইন্দিয়া হোষ্ট ওইহল্লিবনি। ফিফাগী পান্দমদি ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপামচা নুপীমচা পূম্নমকপু ফুটবোল মশান্নদা শরুক য়াহন্দুনা ফুটবোল পামজবা নুংশিবা লৈবাক ওইহন্দুনা মেন্স ফিফা ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াহনবা হায়বসিনি। নুপামচাগী পাঙথোকখ্রবা মতুং হৌজিক অমুক ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবগী অয়াবা পীদুনা ইন্দিয়া হৌজিক পাঙথোক্নবগী শেম্বা শাবা হৌরে। হৌজিমক্কী ওইনদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না করম করম্বা ইন্দিয়াগী সিটিদা পাঙথোক্কদগে হায়বমক্তি লেপথোকপদি লৈত্রি অদুবু অথুবা মতমদা শোয়দনা লেপ্পল্লগনি লাওথোরল্লগনি। ২০২০ দা ইন্দিয়াদা নুপীমচাশিংগী ওইবা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকপদি শোয়দ্রে অদুগা লোয়নন্না ফিফা চৎন–কাঙলোনগী মতুং ইন্না হোষ্ট লৈবাকসু শরুক য়াবা হায়বসিমদি শোয়দ্রে। মতাংস্বাইদা ইন্দিয়াদা নুপী ফুটবোল মশান্নদা খ্বাইদগী হেন্না হৈরে হায়দুনা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট করি তৌবা য়াবগে হায়বদি মরী লৈনবশিংনা খন্নফম থোক্তব্রা?

নুপী ফুটবোল শান্নবগীদমক খল্লগা মশান্না অসিবু পূক্নিং থৌগৎপগী অহেনবা অমা ওইনা লমদমসিগী মীপুম খূদিংনা ইহৌ অমদি হৌবা মথৌ তারি অফবা ৱাখল্লোন্দা। মণিপুরগী নুপীমচা শান্নরোইশিংনা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী লিশাং শিংনা শান্নরোই ১০ (তরা) দগী তাদনা ইন্দিয়া মহুৎ শিন্দুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাকখ্রবনি। তশেংবমক মণিপুরগী নুপীমচাশিং অসিনা ইন্দিয়াগী চাওথোকচনিংঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌখিবসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনসু হকথেংননা খঙদুনা লাক্লবনি। এ আই এফ এফনসু ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্না অসি (নুপা, নুপী) থাক হেনগৎনবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকপগা লোয়ননা ফিফা কাউন্সিলদা হায়জবদগী নুপামচাগী ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱার্ল্ড কপ ২০১৭ য়ুম্বু ওইহন্দুনা পাঙথোকহনখ্রবা মতুংদা হৌজিক অমুক নুপীমচাগী ওইবা ফিফা অন্দর সবেন্টিন ৱুমেন ৱার্ল্ড কপ ২০২০ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবদা অয়াবা পীরে, ইন্দিয়াসু য়ুম্বু লৈবাক অমা ওইনা শোয়দনা শরুক য়ারগনি। ইন্দিয়া শোয়দনা শরুক য়াবসিদা মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ শান্নবা ঙম্বা নুপী শান্নরোই অহানবা ওইনা লৈরগদবনি। মতাংস্বাইদা ফুটবোল মশান্নগীদমক চেন–চোংলিবা অখঙ অহৈ ময়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নুপীমচা শান্নরোইশিংগীদমক খল্লগা অসিগুম্বা তাঙলবা তাঞ্জা অসিদা করি খুদোংচাবা লৌবা য়াবগে হায়বদু অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা খন্নদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দা মতম লৈরিঙৈসিদা মণিপুরসু বেনিউ ওইজগে হায়বা ৱাফমসি থম্বা তাই। হৌজিক লৈরিবা খুমন লম্পাক মেনই ষ্টেদিয়ম অসি ফ্লদ লাইট হাপচিন্দুনা খরগা হেন্না অপ–গ্রেট তৌদুনা বেনিউ ওইবগী খুদোংচাবা লৌবা ঙল্লবদি মণিপুর অসি অনৌবা ফুটবোল হিষ্ট্রি অমা শেমগদৌরিবনি। পূম্নমক অসি লৈঙাক মপু চীফ মিনিষ্টরনা থৌবু ওইদুনা হোৎনবগী মথৌ তারি লোয়ননা মীয়াম্নসু ইহৌ অমা হৌদুনা তকশিনগদবনি।

## ইংলেন্দগী ক্লব অনী চেলসি অমদি আর্সনেলনা য়ুরোপা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

*লন্দন, মে ১০ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইংলেন্দগী ক্লব অনী চেলসি অমদি আর্সনেলনা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা জর্মনিগী ক্লব ফ্রেঙ্কফর্টকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতসু পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা লেগকী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা চেলসিগী শান্নরোই রুবেন লোফটস চিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।



*চেলসিগী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা ফ্রেঙ্কফর্টকী শান্নরোই লুকা জোভিসনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ১–১ দা মান্নরগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

টিম অনীমক এগ্রিগেটতা ২–২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী মায় পাকপা টিম খনবা এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদসু অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা চাং য়েংনখি।

পেনাল্টি সুট আওট কাওনবদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা ফ্রেঙ্কফর্টপু ৪–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগকী সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৭–৩ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল য়ৌবগী চাওনা খুদোংচাবা লৈখি।

সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই কেভিন গামেরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ১৭শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই ওবামেয়াংনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই আলেকজেন্দর লাকাজেটনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। ৫৮শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী কেভিন গামেরোনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা ৬৯শুবা মিনটতা আর্সনেলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ওবামেয়াংনা পাঞ্জল অমা চনশিনদুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ২ খক ঙাইরবা মতমদা আর্সনেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা ওবামেয়াংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মহাক্কী হেটত্রিক পাঞ্জল ওইবগা লোয়ননা মেটচ অদু ৪–২ দা মায় পাকখি।

## রোমানিয়াগী হালেপ মাদ্রিদ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলসতা জোকোভিস সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*মাদ্রিদ, মে ১০ঃ*

স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা চথরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট মাদ্রিদ ওপনদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ নুপীগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসসু ৱাল্ক ওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৩ সিদদে ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–২, ৬–৭(২–৭), ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদদে য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদদে নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা শান্নরগনি।

নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদদে জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না লায়না ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৯শুবা সিদদে ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক মশা নাবদগী মহাক্কী লম্বা ওইরিবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস সেমি ফাইনেল য়ৌখি।